# পুন্সিগী হিনাওনা কেন্সরগী ঈরৈনুংদা তিনলিঙৈ

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাওনা কেন্সরগী ঈরৈনুংদা ঈরাক্লরুবগী ৱারীনি। ঐহাক্কী খৌনাও মথক থংবগী শরুক্তা ওপরেসন তৌরুবা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা হায়বদি, ২০১৬ জুলাই থাগী তাং ১৩, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৮মুক তারকপা অদুৱাইদা হোস্পিটালদগী ফোন তৌরকই চ্যেকঅপ তৌনবা দোক্তরনা লাক্তবা য়াদে হায়দুনা ইচানুপা ননাওনা হৌদোরকই। হংই ইতোমতা করিগী চয়োল অমা লৈরগা লাকও হায়রগা নুমিৎ হুম্নি মপুঙ ফাদ্রি অদুগা হৌজিক লাকও হায়রক্লিসিবু হায়না। খল্লি ৱাখলদা করিবু ওইরিবা জাৎনো হায়দুনা। ফরে ওইনিংবা অমা হেক্তা ওইরসনু হায়দুনা ইচা ননাওগা ঐহাক্কা খুদক্তা লোইশিন্দুনা ঐহাক্কী দোক্তরদো উন্নবা চৎলে ফার ইষ্ট হোস্পিটালদা। য়াম্না লাপ্পা নৎতে, মিনত ১০/১৫ মুক্কী লম্বীনি কারনা চৎপদা। হোস্পিটাল য়ৌদুনা ই এন টি দিপার্টমেন্টকী ঐহাক্কী খৌনাও য়েংফম অদুদা চত্তুনা ঐহাক্কী হেল্থ ইন্স্যুরেন্স কার্দ অদো ফক্লাংদা লৈরিবা স্লোট মচিন্দুদা হাপচিন্দুনা ঐহাক্কী মিং চনশিন্দুনা ঐহাক্কী নম্বর য়ৌরকপা ঙাইনা ঙাইনা খল্লি করি পাউবু ওইরিগবা হায়দুনা। চিংনবদি পোকই ঐহাক্কী ঙৌগী তোন্সিলগী ট্যুমরদো বাইওপসি তৌরিবা মতমনিনা।

ঐহাক্কী নম্বর য়ৌরক্তুনা ঐহাক্কী খৌ য়েংবগী দোক্তর অদুগী কাদা চঙদুনা ফম্লবা মতুংদা দোক্তর অদুনা অসুম্না হায়রকই, "একোর্দিং টু দ রিপোর্ট ফ্রোম দি বাইওপসি, য়োর মসলস টিসুজ গোট কেন্সর। আই ৱিল সেন্দ য়ু টু দ কেন্সর দিপার্টমেন্ট দোক্তর্স হু নো ইন দিতেল" হায়না হায়রকই। মীতৈলোন্দা অসুম্না থম্বা য়াই 'নহাক্কী মসল টিসুশিং বাইওপসি তৌবদা কেন্সর পক্লমলে। নহাক কেন্সর য়েংবগী দিপার্টমেন্টদুদা কেন্সরগী মরমদা মরিক চুম্না খঙবা দোক্তরশিংগা মখা তানা শুগাইনা য়েংনবা থারগে, মসিদা য়েংলুরো" হায়না দোক্তর অদুনা হায়রকপনি। মতমদুদা থাজদা থাজদা, য়ানিংদা য়ানিংদা ঐহাক হৌজিক কেন্সর নারবা মীওই অমনিকো হায়বা য়াবা তাখি। দোক্তরদুনা থাগৎ ৱাহৈ খরা ফোঙদোক্লম্লগা ই এন টি গী দোক্তর অদুগী কাদুগী কেন্সর দিপার্টমেন্টকী কা অদোমদা ননাও ঐখোয় অনি লাক্লে। ননাওনা মপা কেন্সরনা নারে হায়বা খঙবদা করি ফাওরমগদবনো খঙদে, অদুবু মহাক তুমিন্না ঐহাক্কী নাকলদা চৎলি। অদুবু ঐহাক্তি হান্নদগী মহি ওইবা চিঞ্জাক ঙাক্তা থক্তুনা হকচাং অমদি ৱাখল শোন্থদুনা লাকপদুগী মথক্তা হেন্নদুম শোন্থবদুম ফাওখি, মরু ওইনা খঙহৌদনা মিকুপ খরদুনা হুমজিল্লকখিবা ঐহাক্কী ৱাখল কয়া অদুনা।

ই এন টি য়েংফম কা অদুদগী কেন্সর য়েংফম দোক্তর অদুগী কা ফাওবসি চাওরাক্লা শুপ্নতগী খোঙনা চৎপদা মিনত মরি মঙামুক্তা লৈবা লম্বীনি হোস্পিটাল মনুংদুদা। তেল্লবা হোস্পিটালগী লম্বী অসি ঐহাক্লা কেন্সরনা নারবা মীশক অমনিকো হায়না খনবদগীদি ঐহাক্লা তোঙান তোঙানবা খনখিবা ৱাখলশিংদুদি বসতা নৎত্রগা ট্রেন্দা লমশাং চৎপদা ৱাখল চাম্মা চাম্মা, লিশিং লিশিং খনবগা চপ মান্নখি। কদায় কদায়দগীনো ৱাখলসে অফবদি অমত্ত হেক য়াওদ্রে, ফত্তবা ৱাখল ঙাক্তা পাইশিল্লকখি লেপ্পা লৈতনা। হংজখিবনি ৱাহং চাম্মা চাম্মা ইতোমনতা অদুবু পাউখুমদি ৱাহং অমগী পাউখুম ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। অসুক য়াম্না চেকশিন্না চৎচবা, হিংজবা, অমোৎপা ফত্তবা অরানবা লমচৎ শাজৎ য়াম্না কিজনা শোক্লদবা, চৎলুদবা, চাবা থকপদসু কামজদবা, হায়বদি দ্রগনচিংবা পোৎলমশিং করিসু লৈতে, য়ু থকপা নৎতে, ক্বা চাবসু নৎতে, বিড়ী থকপসু নৎতে, কোফি চা থকপা নৎতে অদুগা করিগী তমথিরবা কেন্সর অসিনা ঐহাক্কী পুন্সিদা চংল্লক্লিবা। হংজখি ইতোমনতা লেপ্পা লৈতনা। অদুগা শান্ন খোৎনবগী দাইট অমদি সপ্লিমেন্টসু নেচরেল ওইবা ঙাক্তনি শীজিন্নরিবা ঐহাক্লা। ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি থিংলবা, চাহৈদবা হকচাংদা শোক্কদবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নবা মীওইসু নৎতে নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোই অমা ওইনা। অদুগা ইমুং মনুংগীওইবা কেন্সর নাবগী হিষ্টরিসু অমতা লৈতে। অদুগা করি ঐহাকপু কেন্সর হায়বা লাইনাসিনা নাহল্লিবা হায়দুনা মপু মহাক্কী মফমদা ইতোমনতা তত্তনা হংদবা ঙমখিদে তেল্লবা কেন্সরগী কাদা চৎপগী লম্বীদুদা। তত্তনা, লেপ্পা লৈতনা থোমজিল্লকখি ফত্তবা ৱাখল ঙাক্তা মথং মথং।

ৱাখলসে, থমোইসে খংপিক পিকশিনবদৌনা তৌই মতমদুদা। ফোঙদোকপদা ৱানা থোকপা থমোইগী অৱাবা কয়া অমসু ফাওরকখি। উবা ঙমদব, খঙবা ঙমদবা, ফোঙদোকপদা ৱানা থোকপা অকিবা, মীপাইবা কয়া অমসু ফাওরকখি ঐহাক্কী থমোইদা, ৱাখলদা। ৱাখল ময়াম অদুগী মনুংদা ঐহাক্কী থমোইদা করিমতা খন্থরুবা লৈতনা পাইশিল্লক্তুনা ঐহাকপু অসুক্কী মতিক ৱাহনখিবা, নুঙাইহনখিবা অমদি কপ্লিংবা ফাওহনখিবদি ইচানুপা অতোনবা বুং বুং অমদি বেম বেম অনিগী মরাইবকসে। মপা মমা পাঙ শুদনা মখোয়গী হৌরকপদা ঙাইরিবা পুন্সি অমদি লেমহৌরিবা শাংলবা পুন্সি খোঙচৎ মখোয়বু লমজিংবীনবা, য়েংশিনবীনবা মপা ঐহাক য়াওদনা পুন্সিগী শাংলবা খোঙচৎ চৎপা তারবকো। ইশামক্লা অঙাং তরা পোকপগী মনুংদা অতোনবা অমা ওইনা য়াম্না লায়রনা হৌজরক্লবসু ইমা পাজিগী মরাং কাইরবা নুংশি মকাদা চাওজরকখিবনা অহিং অমা ইমানা চৎথোকখিবা, য়ূমদা লৈতবা, অপোকপা পাজিনা হল্লকপদা অদুক্কী মতিক নীংশিংখিবা, উনিংখিবা, কাউবা ঙমখিদবা অমদি ঙাইঙমখিদবদো নীংশিংলকই বুং বুং অমদি বেম বেম অনিগী খল্লুবদা। মখোয়না হয়েং তুংদা মপা ঐহাকপু নীংশিংলক্কদবদো খল্লুবদা মীত্তগী পি শিন্থরক্কে শিন্থরক্কে তৌবদা খাঙখিবনি ৱানা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা মীয়াম মরক্তুদা।

হৌজিক হৌজিক হিংলিঙৈসিফাও ঐহাক্লা চয়োল অমা করি অমা অতোপ্পা মপাল লমদা শান্ন-খোৎনবগী অমদি ওফিসল ওইনা চৎথোকপসিদা চৎত্রিঙৈদা কৈদৌঙৈ দেদি হল্লক্কদোইনো হায়বসে হংবা লেপত্রি ঐহাকপু মনাক্তা সুম লৈহন্নিংবদুনা। করিগুম্বা ঐহাক্কী খোঙচৎ অদুনা মতম খর শাংলগদি অসুক য়াম্না শাংবা হায়দুনা মখোয় মথ্বাই নুংঙাইত্রিবনি। লাপ্না চৎথোকপসিদি লাইরদনা, য়ূমদগী জিমদা নৎত্রগা ইউনিভর্সিটিদা ক্লাস লৌবা চৎপসিফাওবা হংলিবনি ঐহাক পুং কয়াদা হল্লক্কনি হায়দুনা। মখোয় অনিনা অসুক্কী মতিক ঐহাক্কা নক্লনা লৈজবা অসিদ ৱাদবা ঙমখিদে করি থোক্লগবা করিগুম্বা ঐহাক্লা পুন্সি লমখাঙদা লোমখিবা তারবদি খল্লুবদা খাঙবা ঙমখিদে থমোইসে। অসুম্না মপা ওইবা ঐহাকপু নোংমতসু লাপ্পা লৈহন্নিংদবা ইচা অনিসিনা করিগুম্বা ঐহাক্লা লামখাঙদা পুন্সি লোমখিবদা মখোয়না কয়াদা ঐহাকপু নীংশিল্লক্কদবা, ৱাজগদবা অমদি মথ্বাই নুংঙাইরোইদবদো হায়না খল্লুবদা মিত্তগী পিরাং শিন্থগে শিন্থগে তৌবদা কন্না খাঙখিবনি কয়ারক হন্না। অদুগা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা মহাক্কী থমোইদা তত্তনা, চাওথোকচনা খঞ্জরিবা, হায়জরিবা "য়ু আর মাই হোম (নহাক্লা ঐহাক্কী অশেংবা য়ূম্নি) হায়রিবসে ঐহাক লৈত্রবদি মহাক্কী পুন্সিনা কমদৌনা হিংহৌগদবা। মহাক্কীদি অশেংবা য়ূম হায়বদো অমুক লৈররোই। ঐহাক্কী পুন্সি য়াওদ্রবদি মহাক্লা ফনা চাওবা, ফজবা য়ূমদা লৈদুনসু, অহাওবা চিঞ্জাক চাদুনসু, নিংথিবা ফিরোল শেত্তুনসু মহাক্কী থমোইদদি ময়ুম লৈজদবা কনাগুম কৈদৌঙৈদসু নুংঙাইজবা হায়বদুমদি লৈররোই মরমদি ঐহাক্কী পুন্সিদি মহাক্কী অশেংবা য়ূম ওইজরিবনি। ঐহাক্লা মপুং ওইনা শেন্দানগী লম্বীদা লৈরগা ঐহাক য়াওদ্রবদি অঙাং মরিসিগা করম্না ইমুং পালহৌগনি, হিংহৌগনি খল্লুবদা অসুক্কী মতিক ৱাখল অমদি অৱাবা পোৎলুম অমমুক হাপচিনখিবনি ঐহাক্কী থমোইদা খৌনাওগী ওপরেসন তৌখিবগী চৈনাখোল অমদি শোন্থবগী মথক্তুদা। মখা তাবদি মতাং অমদা অমুক পাউদমজরক্কে।

## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 142/SDC/Bishnupur, 2020**

1. Kongbrailatpam Sunitikumar Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal
2. -do- Jagadishchandra Sharma, S/o. -do- of -do-
3. -do- Rameshwar Sharma, S/o. -do- of -do-
4. -do- Rajeshwor Sharma, S/o. -do- of -do-
5. -do- Bamkimchandra Sharma, S/o. -do- of -do-
6. -do- Sarojkumar Sharma, S/o. -do- of -do-
7. -do- Sujata Devi, D/o. -do- of -do-
8. -do- Surjarani Devi, D/o. -do- of -do-
9. -do- Geetanjali Devi, D/o. -do- of -do-

-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

/ **NOTICE**

Bishnupur, the 22nd September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 58 (Old)/54 (New) C.S. Dat No. 1195/1271 গী 12.38 acres চাওবা Ingkhol অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7587/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 140/SDC/Bishnupur, 2020**

Kongbrailatpam Jogeshchandra Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma, Sevari Shri Shri Radhamadov of Khwai Brahmapur Nagamapal

-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

/ **NOTICE**

Bishnupur, the 22nd September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 5 (Old)/473 (New) C.S. Dag No. 1143/3493 গী 0.62 acres চাওবা Taothabi অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7587/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 139/SDC/Bishnupur, 2020**

Kongbrailatpam Suchitra Devi, D/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

/ **NOTICE**

Bishnupur, the 22nd September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 149 (Old)/740 (New) C.S. Dag No. 1051/3376 গী 0.62 acres চাওবা Phourel অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7587/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 273/SDC/IW-L/2020**

1. Sorokhaibam Rajen Kumar Singh, S/o. (L) Ningthemjao Singh of Mayanglangjing Taning Makha Leikai
2. -do- Heramani Singh, S/o. -do- of -do-

*...Petitioners*

-Vrs-

Late Sorokhaibam Ningthemjao Singh, S/o. (L) Tomba Singh of Mayanglangjing *...O.P. Party*

/ **NOTICE**

The 22/09/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সোরোকখাইবম নিংথেমজাও সিংহ পীতা মৃত তোম্বা সিংহ সাং ময়াংলাংজিংগী মীংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯- ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৮ দাগ নং ১৪০৩ এরিয়া .৮৮ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7595/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, IW:Lamsang**


## /KHOICHOP MELA

| | | |
|---|---|---|
| **Entry Fee** | : | **Rs. 2000/-** |
| **Time** | : | **5:00 am to 5:00 PM** |
| **Day** | : | **Sunday (27/09/2020)** |
| **Venue** | : | **Yairal Pat (R.B. Fish Farm)** |
| **Near** | : | **J.N.V Imphal East** |
| **Lunch** | : | **On the spot** |

**LIMITED SEAT/ CONTACT NO. 8787837671**

HL-P/7593/24


## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 143/SDC/Bishnupur, 2020**

1. Kongbrailatpam Nevedita Devi, D/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal
2. -do- Suchitra Devi, D/o. -do- of -do-
3. -do- Subhalakshmi Devi, D/o. -do- of -do-

-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

/ **NOTICE**

Bishnupur, the 22nd September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 88 (Old)/58 (New) C.S. Dat No. 143 গী 2.135 acres চাওবা Phourel অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7587/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 141/SDC/Bishnupur, 2020**

1. Kongbrailatpam Jogeshchandra Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal
2. -do- Ashish Sharma, S/o. Debeshwor Sharma of -do-
3. -do- Khoneychandra Sharma, S/o. -do- of -do-
4. -do- Rameshwar Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of -do-
5. -do- Jagadishchandra Sharma, S/o. -do- of -do-
6. -do- Sarojkumar Sharma, S/o. -do- of -do-

-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

/ **NOTICE**

Bishnupur, the 22nd September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 332 (Old)/56 (New) C.S. Dat No. 52 গী 6.62 acres চাওবা Phourel অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7587/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 329/SDC/IW (P) of 2020**

1. Tongbram Sharat Singh, S/o. (L) Deben Singh of Langjing Achouba Maning Leirak
2. Tongbram Open Singh, S/o. -do- of -do-

*...Petitioners*

-Vrs-

Late Tongbram Deben Singh, S/o. (L) T. Gourachandra Singh of Langjing Achouba Maning Leirak

...Decased Pattadar

/ **NOTICE**

23/09/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর 104-Langjing Achouba গী পাট্টা নম্বর 4 (Old), 587/626 (New) দাগ নম্বর 833/868 গী পোইন্ট 0.01999 acre একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০১/১০/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/7592/24 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector Imphal West, Patsoi**

## COVID-19 TASK FORCE LAMLAI

Covid-19 লাইচৎকা মরী লৈননবা লম্লাইদা Covid-19 Task Force, Lamlai না হীরম কয়াগী Activity তৌই। য়ুমথোঙ খূদিং লেম্না থাউ-থুম, হৱাই অমদি আলু য়েনবগী মথক্তা চেঙ বেকখাই অমমম অৱাবা ইমুং ১০০ দা পী। NFSA গী কার্দ পায়ফম থোকপা ইমুংশিং কার্দ পায়হন্নবগী মীৎয়েংদা অখঙ-অহৈ কৌদুনা Awareness পাঙথোকই। অতাবা মমলদা লৌমীশিংদা হার ফংহল্লি। Covid-19 গী মরমদা মীয়াম খঙমিন্নবা এৱ্যেৰ্নেস পাঙথোকই। লাইচৎ অসিগী Vaccination তৌদ্রিবা ফাওবা Task Force অসি লৈবা মথৌ তাখিনি, ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তারি। মখা তানসু মীয়ামগী মতেং চঙই। মীয়ামদা হৌজিক ফাওবদা তেংবাং পীবীরকপশিংগী মীং পীজরি।

| Sl. No. | Name | Amount (Rs.) |
|---|---|---|
| 1. | Thokchom Herojit | 500/- |
| 2. | Thokchom Nabakumar | 1000/- |
| 3. | Chabungbam Nilachandra | 1000/- |
| 4. | Khongbantabam Ibomcha (Social/Political Workder) | 48,000/- |
| 5. | Ngangom Shyam | 100/- |
| 6. | Elam Amitkmar | 2,800/- |
| 7. | Achoibam Radhamukhi | 100/- |
| 8. | Thokchom Khamba | 1000/- |
| 9. | Achoibam Deben (Social/Political Worker) | 36,000/- |
| 10. | Takhellambam Ibochouba | 500/- |
| 11. | Irom Rojen (Councillor) | 1000/- |
| 12. | Yumnam Ranbir | 500/- |
| 13. | Laishram Ibomcha | 500/- |
| 14. | R.K. Rojenbi | 200/- |
| 15. | Haobam Gojen | 2,500/- |
| 16. | Ksh. Biren Singh (Ex-Minister) | 2,45,000/- |
| 17. | Chabungbam Rajbabu | 1000/- |
| 18. | Yumnam Lakpati | 100/- |
| 19. | Thokchom Jibanlata | 500/- |
| 20. | Yumnam Ibohanbi | 500/- |
| 21. | Mongjam Poireihanba (Social/Political Worker) | 20,000/- |
| 22. | Khaidem Budhachandra | 1800/- |
| 23. | Chakpram Ibetombi | 500/- |
| 24. | Mutum Tombi | 200/- |
| 25. | Thingbaijam Ibotombi | 100/- |
| 26. | Laishram Roben | 3000/- |
| 27. | Laishram (O) Bedam | 2000/- |
| 28. | Ayekpam Shyam | 1000/- |
| 29. | Moirangthem Helendro (Councillor) | 3000/- |
| 30. | Saikhom Sharat | 1000/- |
| 31. | Khaidem Mahendra | 5000/- |
| 32. | Chongtham Joy Singh | 500/- |
| 33. | R.K. (O) Memi (Chairperson, LMC) | 1000/- |
| 34. | Thokchom Joykumar | 1000/- |
| 35. | Takhellambam Jiten | 500/- |
| 36. | Lamlai Makha Leikai Sub-Committee | 1000/- |
| 37. | Laikhuram Basanta | 500/- |
| 38. | Yumnam Joy Singh | 1,300/- |
| 39. | Soraisam Premjit | 1,500/- |
| 40. | Sophia Homeo Clinic, Lamlai | 2,500/- |
| 41. | Haobam Gojen | 3,000/- |
| 42. | Ngangom Mohindro | 1,350/- |
| 43. | Khaidem Binoy | 500/- |
| 44. | Lamlai Municipal Council | 5,000/- |

Sd/- **E. Dayananda Singh**
Convenor, Covid-19 Task Force, Lamlai

HL-P/7588/24

मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ़ टेक्नोलॉजी
**MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY**
*(A Constituent College of Manipur University)*
**TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR**

## TENDER NOTICE

**Dated: 23rd September, 2020**

No. 3/33/2014-MIT): 2157 Manipur Institute of Technology invites seal tender from GST registered Printing Firms/Publishers for Printing of MIT PROFILE (Mazagine). Terms and Conditions with detail information for submitting the bids can be downloaded from the Institute website www.mitimphal.in.

*Sd/-* **Prof. N. Basanta Singh**
Principal i/c
Manipur Institute of Technology
Takyelpat, Imphal

HL-B/6397/24


## APOLLO ACADEMY

*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

**REGULAR MEDICAL COURSE**
**FOR**
**NEET(UG) ASPIRANTS - 2021**

- * 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
- * FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)

*Forms available @ Apollo Office.*

FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.

## ONLINE DRAFTING & EDITING

* **NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH**

1. **Application drafting and editing for all purposes.**
2. **Editing thesis for research scholars.**
3. **Editing articles for newspaper and magazines.**
4. **Drafting applications or representations.**
5. **Editing applications or representations.**
6. **Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.**
7. **Translation from Manipuri into English.**

** The above services are provided in English only through online.

**For details please contact :**
**8974642764**
**Or write to :**
**phoenixrhymeschool@gmail.com**

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

## VIMIT

**VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY**
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST

Hurry Limited Seat — ADMISSION OPEN — Hostel Facility Available

FOR THE ACADEMIC SESSION 2020-2021

**Affiliated to Manipur University**

**BBA** Eligibility 10+2 **BCA**

(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)

THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION

Prospectus/ Form available during office hours on any working days

Please contact: 9612333542/7005847770
Email-vimitimphal@gmail.com
For Online Registration Visit www.vimitimphal.com

Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

HL-P/7539/16 to 25 Sept.